## মিলিস্যা লিদরনা ৱার্নিং তৌখ্রে

বঘদাদ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
যু এস ফোর্সেসনা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈবা ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যা গ্রুপ অমগী বেজ কয়াদা এয়রষ্ট্রাইক চখ্থদুনা মীওই ২৫ হাৎখ্রবা মতুংদা যু এসনা টার্গেট তৌরিবা মিলিস্যা গ্রুপ অদুগী তোপ লিদর অমনা ইরাক্তা লৈরিবা যু এস ফোর্সশিংগী মায়োক্তা লমন খুন্বগী অকনবা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে।
যু এসকী এটেক্তা লৈখিদ্রবশিংগী ঈখেং লেম্না মাঙলোই অমসুং ইরাক্তা লৈরিবা অমেরিকান ফোর্সশিংদা পীগদবা ঐখোয়গী পাউখুম অদুক্কী মতিক কনগনি হায়না মিলিস্যা গ্রুপ অদুগী সিনিয়র কম্মান্দর জমল জাফর ইব্রাহিমিনা ফোঙদোকখি।

## ফায়র ফাইটর ১ শিরে

সিদনি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটতা উমংদা লাম্মৈ কন্না চাক্লিঙৌদা শাফু কল্লবা নুংশিৎশিং শিৎচিল্লকপদগী ট্রক অমা মথক-মখা ওনবদা মদুদা তোংলিবা ভোলন্টিয়র ফায়র ফাইটর ১ শিরে অমসুং ২ না শোক্লে হায়রি।

# যু এসনা ইরাক্তা লৈবা ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যা গ্রুপতা এটেক তৌবদা মীওই ২৫ শিরে



বাঘদাদ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
যু এস ফোর্সনা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈবা ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যা গ্রুপ অমগী বেজশিংদা চখ্থিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শিখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইরাক্কী পোপ্যুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সেস (পি এম এফ)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
পি এম এফকী ফেক্সন অমা ওইরিবা কতাইব হেজবোলা (কে এচ)তা যু এস ফোর্সশিংনা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চখ্থিবদু নোংমাইজিং নুমিত্তনি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা কির্কুক প্রোভিন্সকা নক্পনা লৈবা ইরাক্কি বেজ অমদা চখ্থিবা এটেক অমদা অমেরিকান সিভিলিয়ন কনট্রেক্তর অমা শিখ্রবা তুংদা যু এস ফোর্সশিংনা কে এচ মিলিস্যা গ্রুপগী বেজশিংদা এটেক তৌখিবনি।
বৃগেদ ৪৫ শুবা অমসুং ৪৬ শুবগী হেদ ক্বার্টরসশিংদা চখ্থিবা শাথিরবা এটেক অদুদা শিখিবা মী মশিং ২৫ শুরে। অতে ৫১ না অশোক-অপন নংলে হায়না পি এম এফ দিরেক্তোরেটকী মকোক জৱাদ অল-রুবেনা ফোঙদোকখি।
অশোকপশিংগী মরক্তা ফিভম লুবা কয়া য়াওবনা মরম ওইদুনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না রুবেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।
পেন্টাগোন্না কতাইব হেজবোলাগী কোলিসন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা মতুং তারকপদা এটেকশিং পাঙথোকপা ওস্নবগী মতিক ময়াইশিং হন্থহনগদবা মওংদা টার্গেট চপ চানা খঙদোক্লবা মতুংদা দিফেন্সিপ ষ্ট্রাইকশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। কে ঐচগা ইরানগী কুদস ফোর্সকা অচেৎপা মরী লৈনৈ অমসুং মখোয় ইরান্দগী অফবা মখলগী খুৎলায়গী মতেং অমদি অতৈ সপোর্ট কয়া তোয়না ফংবগা লোয়ননা মখোয়না ওপরেসন ইনহরেন্ট রিজোলভ (ও আই আর) কোলিসন ফোর্সেসতা থেংখাং কয়ারক্তা এটেক তৌখ্রে হায়না পেন্টাগোন্না মখা তাখি।
ইস্লামিক ষ্টেট টেরর ওর্গনাইজেসন মপুং ফানা মায়থিবা পীনবা অমদি ইরাক্কি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মতেং পাংনবগীদমক্তা কোলিসন অদু ইরাক্তা লৈরিবনি।

# পুটিন অমসুং মার্কেলনা ইষ্ট যুক্রেন, গ্যাস সপ্লাইজ, লিবিয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে



মোস্কো, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
ইষ্ট যুক্রেন্দা প্রিজনরশিং শীন্নবা, যুরোপতা রসিয়ানা গ্যাস সপ্লাই তৌবা অমসুং লিবিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং জর্মনিগী চান্সলর অঞ্জেলা মার্কেলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টেলিফোন্দা খন্ন নৈনখ্রে।
ক্রেম্লিনগী প্রেস রিলিজ অমনা হায়, লুচিংবা অনীনা ফোনদা ৱারী শান্নখিবা অদুদা নোংমাইজিং নুমিত্তা দোনেস্ক রিজন্দা যুক্রেনগা সেপরেটিষ্টশিংগা হৌজিক লৈরিব প্রিজনর পুম্নমক থাদোকপগা লোয়ননা খুৎশিন্নবা হৌখিবগী খোঙথাং পুক্লিং থৌগৎন্নিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোক্লখি। প্রসিদেন্ট পুটিন অমসুং চান্সলর মার্কেলনা গ্যাস সেক্তরদা অমগা অমগ মতেং পাংনবগী ইশ্যুশিংসু খন্নখিবগা লোয়ননা মদুনা নাকল অনীগী মরক্তা নোর্দ ষ্ট্রিম ২ প্রোজেক্ট মখা তানা শৌগৎপগী ৱাফম য়ান্নে হায়বসি উৎলি হায়না সীনহুৱা ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
কুমজা ২০২০কী জন্যুৱারী ১গী মতুংদা যুক্রেন ফাওরগা রসিয়ানা যুরোপতা মখা তানা গ্যাস পীবগী মতাংদা চখ্থরিবা নিগোসিএসনশিং খুমাং চাওশিল্লে হায়না ক্রিম্লিন্না ফোঙদোকখি। লিবিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা জর্মনি অমসুং যু এননা ৱাতেন্নবগী ৱাফম য়াওনা ৱাথোক অদু লৈখায় তানবা পোলিটিকেল অমসুং দেপ্লোমেটিক খোঙথাংশিং লৌখৎপগী ৱাফম য়ানখি হায়রি।

# এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টনা মরম ওইদুনা ওইল ফিল্ড থিংখ্রে

বাঘদাদ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ওইল ফিল্ড অমা নমদুনা থিংজিনহনখ্রে।
ইফে ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা মীয়াম্না থা অহুল্লোম চুপ্পা লেপ্তুনা ইরাং হৌদুনা লৈরিঙৌগী চৈরক্তা দোমোনষ্ট্রেটরশিংনা ওইল ফেসিলিটিশিংদু তাবা লন্বীশিং থিংখিবনি।
ওইল মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অসেম জিহাদনা ফেসবুক্তা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টনা মতম খরগী ওইনা নারিয়া ওইল ফিল্ডদা থাউ পুথোকপগী থবক লেপহল্লে। ফিল্ড অসিনা নোংমদা বেরেল ৮০,০০০ হেন্না পুথোক্লিবনি।
অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খন্নবা দিমান্দ তৌরিবা প্রোটেষ্টর দজন কয়ানা লন্বী থিংজিনখিবদগী ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক শুবা চৎপা ঙমদ্রে হায়না অসেম্না মখা তানা ফোঙদোকখি।
মহাক্কী মতুং ইন্না গভর্নমেন্টনা নাসিরিয়া ওইল ফিল্ড থিংলিবদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিনা পুথোকপা ঙল্লিবা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী অপুনবা চাংদা থোইদোক্না অকায়বা পীবা লৈতে। মসি মরু ওইনা নাসিরিয়া ওইল ফিল্ডনা পুথোক্কদবা থাউগী শরুক অদু লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা অতৈ ওইল ফিল্ডশিংনা কুপখৎপা ঙস্মননি।
ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টরশিংনা লন্বী থিংখিবদগী থবক লেপহল্লিবা ওইল ফিল্ড অদুনা নাসিরিয়া প্রোভিন্সকী মীওই লিশিং ১০ হেন্না থবক পী। ইরাক্কী খা থংবা লমদমদা পাঙথোকপা দেমোনষ্ট্রেসন কয়ানা ওইল ফেসিলিটিশিং তাবা লন্বীশিং তোয়না থিংখ্রবনি।
লৈবাক অদুগী মীয়াম্না থাউ পুথোকপগী কান্নবা ফংবা লৈতে হায়না ক্লেম তৌরদুনা মীয়াম্না ওইল ফেসিলিটিশিং তাবা লন্বীশিং থিংবগী খোঙজংশিং তোয়না চখ্থদুনা লাক্লিবনি।

# মোজামবিক্তা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৫ শিরে

মপুটো, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
মোজামবিক্কী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কাবো দেলগাদোদা নোং কন্না চুবদগী মীওই মঙা শিখ্রে অতৈ মীওই ৫১ অশোক-অপন নংখ্রে অমসুং যুম ৭০০০ হেন্না মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি।
মোজামবিকান ষ্টেট রেদিও আর এমগী মতুং ইন্না ভিক্তিমশিং অদু মোতেপুয়েজ তুরেলগী অকনবা ঈচেলনা চেনখি। নোং কন্ন চুবদগী তুরেল অদু ঈমায় পাথোকখিবনি। হৌজিক মীওই কয়া ঈচাওগী চৈথেং নংলবা য়ানা লৈরি।
মোজামবিকান গভর্নমেন্টনা লৈবাক পুম্নবগী ওইনা ওরেঞ্জ এলার্ট ইশ্যু তৌখি অমসুং লৈবাক অসিগী মায়াই অমসুং অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা জামবেজিয়া, নমপুলা অমসং কাবো দেলগাদো প্রোভিন্সশিংদা ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখি।
নোংলৈ নুংশিৎ, নোং অমসুং অখাক অরাও তাবগা মরী লৈননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা মীয়ামদা ঐখোয়না খঙহল্লি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেটিওরোলোজিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।
নোং অমসুং ঈশিং ঈচাওগী ফিভম্না মরম ওইদুনা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখিবা মোজামবিক্কী ইমর্জেন্সি কোওর্দিনেটিং কাউন্সিল আই এন জি সীনা লৈবাক অসিগী হৌজিক্কী ক্লাইমেটকী ফিভম কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মরু ওইনা কাবো দেলগাদো প্রোভিন্সতা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎলকখিবনা মরম ওইদুনা কাউন্সিলনা মীফম অসি পাঙথোকখিবনি। কুমজা ২০২০গী নোং চুবগী মতম অসি লৈবাক অসিদা মার্চকী অরোইবা ফাওবা চৎকনি হায়না ফোর্কাষ্ট তৌরি। হৌখিবা এপ্রিলদা মোজামবিক্তা মতিক ময়াই লৈরবা সাইক্লোন কেন্নেথ শীৎচিল্লকখিবদা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকহনখিবগা লোয়ননা পুন্না মীওই ৩৮ শিহনখিবনি। লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা লমদমদা সাইক্লোন কেন্নেথ লাকখিবদু লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তা অতোপ্পা মতিক ময়াই লৈরবা সাইক্লোন ইদাইনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবা মতুংদনি।


## IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 376/AS&SO-III Dated 28/12/2019**

Phanjoubam Khambaton S/o Ph. Surchandra Singh of Sabi Leirak Ayangpali Road, Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.

-Vrs-

(Late) Phanjoubam Surchandra Singh S/o (Late) Chaoba Singh of Ningthem Pukhri Mamang Ayangpali.

/ **NOTICE**

Imphal, 30/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ২৭ - ৱাংখৈ নোংপোক পাট্টা নং ১৭৪/অংস, অরিবা ১০৬৭/১৫৪১, দাগ নং ১৬৫২/২৫৩০, এরিয়া .০৪৪২৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং ফাঞ্জৌবম সুরচন্দ্র সিংহ মৃত ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৭/১/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্টসন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চখ্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

HL-P/5628/31 *Sd/-* **Asstt. Survey & Settlement Officer-III Imphal**

## IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER- (V)

**Ref :- Mutation Case No. 708/AS&SO-V, 2019**

Waikhom Agu Singh S/o W. Ningthemjao Singh of Nongmeibung Old Checkon. *-Petitioner*

-Vs-

(Late) Waikhom Joy Singh S/o (Late) W. Uriba Singh of Nongmeibung Old Checkon. -O.P.

/ **NOTICE**

30/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ২৬ - ৱাংখৈরাকপম লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ৩৫, ৩৫, অনৌবা পাট্টা নং ২৭৪, ২৭৫, দাগ নং ৪৫১/১০৪৯, ৪৫১/১০৪৮, এরিয়া .০০৩, .০৪০৬ চাউবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/5827/31 *Sd/-* **Asstt. Survey & Settlement Officer, Imphal**

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)
## NOTICE FOR OBJECTION

**Imphal, the 30th December, 2019**

**No.Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Shanggai Theatre" on 28-12-2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Greater Imphal"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**
HL-P/5824/31 Deputy Registrar of Societies, Imphal West

**/ লোক খুবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর হোনবদা গেরে-গেরে লাওনা মখোল থোকপা, থবাক নাবা, থবক শূবা ঙমদবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, শদৌ থোংবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, মসলশিং চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা এজমানা মতম শাংনা নাদুনা লোক খুবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর হোনবদা গেরে-গেরে লাওনা মখোল থোকপা, থবাক নাবা, থবক শূবা ঙমদবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, শদৌ থোংবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, মসলশিং চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, অহিং তূম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, অহিং তূম্না য়াদবা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, খোৎ খূৎ শজিং হৌবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275/7628890261দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat. and Wed open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/5598/31 *থাগৎচরিবা :* **S. Regard,** Uripok

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: PLANNING DEPARTMENT

CORRIGENDUM
Imphal, the 30th December, 2019

No. 1/57/2015-Plg(pt-1): Reference is invited to the advertisement dated 27th December,2019 for Direct Recruitment for the post of Research Assistant in the Planning Department, Manipur. In this connection, it is to inform all the concerns that there will be slight modification in the **Eligibility criteria for the post.**

2. Graduate in Economics/Commerce/Mathematics/Statistics as educational qualification will be replaced by Graduates with Economics/Commerce/Mathematics & Statistics as one of the subject during the Degree Course (B.Sc/BA courses).

3. The others remain the same.

**Sd-Dr. Th. Munindro Singh**
Director (Planning)
Govt. of Manipur

HL-B/5926/31,1

## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR: IMPHAL

Pre-Ph.D. Admission Notice
Dated, the 30th December, 2019

No.MU/3-121/15/Aca/Ph.D./1508: Applications in prescribed formats are invited from the eligible candidates for provisional admission to the Pre-Ph.D. programme for the session 2019-20 for the following departments:

| S. No. | Department | S. No. | Department |
|---|---|---|---|
| 1 | Anthropology | 14 | Life Sciences (Bot & Zoo) |
| 2 | Biochemistry | 15 | Linguistics |
| 3 | Biotechnology | 16 | Mathematics |
| 4 | Chemistry | 17 | Manipur Institute of Management Studies |
| 5 | Computer Science | 18 | Manipur Institute of Technology (Civil Engineering) |
| 6 | Centre for Study of Social Exclusion and Inclusive Policy | 19 | Mass Communication |
| 7 | Dance & Music | 20 | Philosophy |
| 8 | Earth Sciences | 21 | Physical Education & Sports Science |
| 9 | English & Cultural Studies | 22 | Physics |
| 10 | Geography | 23 | Political Science |
| 11 | Hindi | 24 | Sociology |
| 12 | History | 25 | Statistics |
| 13 | Library & Inf. Science | | |

***Eligibility:***

*Candidates who have passed the PG examination in the concerned /allied subject with 55% marks or above /B Grade in the seven point scale or above (50% marks for SC/ST) and those who have appeared the qualifying examination and waiting for results are eligible to apply for provisional admission into Pre-Ph.D. Programme. The number of vacancies will be determined at the time of provisional registration. Only those candidates who successfully complete the Pre-Ph.D. course work with a minimum of B Grade in the 7-point scale will be eligible for registration to the Ph.D. programme. University Fellowships, wherever applicable, will be given with effect from the date of Ph.D. Registration.*

Application forms and Ph.D. Regulations will also be available on Manipur University Website (**www.manipuruniv.ac.in**) w.e.f. 2nd January 2020. In such case the applicant has to enclose a Bank Draft of Rs. 500/- (Rs.300/- for ST/SC/PWD candidates) and the filled in application forms may be submitted upto 20-01-2020 in the concerned departments.

Reservation of seats for SC/ST/OBC/PWD/EWS shall be made as per the norms of the Government of India.

**Sd-** Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar i/c

HL-B/5927/31

OUR SHINING STARS



1st Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
SOPHIYA ASEM

# SMART TUTORIAL CENTRE

Singjamei Super Market

## NEW FOUNDATION COURSE 2020

**Class IX, X, XII Sc**

**START ON 13-01-20 & 20-01-20**

**SUBJECTS :**

Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional
Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.

**Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192**

**For Detail :Visit Smart Tutorial**

HL-P/5260/10nov-7jan(alt.)

## MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal, Manipur – 795001
CIN:U40101MN2013SGC008343

**NOTIFICATION**
Imphal, the 27th December, 2019
3032 - 56

**No.14/82/2019-MSPDCL (HR)Pt-I:** In pursuance of Government letter no. 50/32(1)/2014-Power (Pt-III) dated 4th April, 2019 of the Secretariat Power Department, Government of Manipur and Office Notification no.14/82/2019-MSPDCL (HR) dated 3rd June, 2019, Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL) invites applications for recruitment to the post of Assistant Manager (Electrical) as detailed below:

| Sl. No. | Name of Post | Classification | Pay Band Plus Grade Pay (in Rs.) | Total |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Manager (Elect.) | Group C | 5200-20200+2800 | 23 |

2. Details on Eligibility Criteria, Reservation, Examination Fee, information for the recruitment and the instructions for the candidates etc can be downloaded from the official website of Government of Manipur at www.manipur.gov.in and that of the company at www.mspdcl.com

Sd/- **L. Priyokumar Singh**
Managing Director, MSPDCL

HL-B/5931/dec 31, Jan1

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 26th December, 2019

No.2/15/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, notified for general information to all the concerned that the phase-wise Group Discussion Session for the appointed examiners of the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 in connection with techniques of evaluation of answer scripts is rescheduled on the following dates and time at the Council office, Babupara, Imphal West.

| DATE | PHASE | TIME From | TIME To | SUBJECTS |
|---|---|---|---|---|
| 16 – 01 – 2020 | First Phase | 10:30 a.m. | 12:00 noon | English |
| | Second Phase | 12:15 p.m. | 1: 45 p.m. | Manipuri, Elective Manipuri, Alt. English, Tangkhul, Paite, Thadou-Kuki, Bengali, Gangte, Hmar, Kom, Mao-la, Mizo, Nepali, Ruangmei, Vaiphel, Zou, Hindi & Elective Hindi. |
| | Third Phase | 2:00 p.m. | 3:30 p.m. | Agriculture, Anthropology, Accountancy, Business Studies; Geography, Geology, Music, Physical Health Education & Sports, Philosophy, Psychology &Thang-Ta. |
| 17 – 01 – 2020 | First Phase | 10:30 a.m. | 12:00 noon | Physics |
| | Second Phase | 12:15 p.m., | 1:45 p.m. | Chemistry, Home Science, |
| | Third Phase | 2:00 p.m. | 3:30 p.m. | Biology, Biotechnology & Engineering Drawing. |
| 18 – 01 – 2020 | First Phase | 10:30 a.m. | 12:00 noon | History & Education |
| | Second Phase | 12:15 p.m. | 1:45 p.m. | Economics, Political Science & Sociology. |
| | Third Phase | 2:00 p.m. | 3:30 p.m. | Mathematics, Statistics & Computer Science. |

All the concerned **Head, Assistant Head, Supervising Examiners** and appointed **Examiners are** requested to make themselves convenient to attend the Group Discussion on scheduled date in time.

**Sd/-** CH. BIREN SINGH
Secretary, Council of Hr. Sec. Education, Manipur

HL-B/5929/31

**বেঙ্ক’স মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী) পুংগী অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌরগনি।**

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লিলাশিং খোঙনাংখোং ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১দা লৈবা ওফিসকী দিস্পেন্সরিগীদমক পুংগী অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা বেঙ্ক’স মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী)গী ফম (অনরিজার্ভ) অমা মেনশিন্নবগীদমক্তা মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। এপ্লিকেসনশিং অদু জেনরেল মেনেজর এন্দ ও-আই-সী, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, লিলাশিং খোনাংখোং, ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১ দা জন্যুৱারি ১৪, ২০২০দা নৎত্রগা মমাংদা ৫.০০ পি এম ফাওবগী মনুংদা য়ৌহল্লক্কদবনি।

i) এপ্লিকান্টশিং এলোপেথিক সিষ্টেম ওফ মেদিসিনদা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙবা য়ুনিভর্সিটি অমগী এম বি বি এস দিগ্রি পায়গদবনি।

ii) জেনরেল মেদিসিন্দা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিগ্রি পায়বা এপ্লিকান্টশিংনসু এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

iii) এপ্লিকান্টশিং হোস্পিটাল অমদা থবক তৌবগী নৎত্রগা মেদিকেল প্রক্টিস্নর ওইনা য়ামদ্রবদা চহী ২ (অনী)গী এক্সপিরিয়ন্স লৈগদবনি।

iv) এপ্লিকান্টশিং মশাগী দিস্পেন্সরি নৎত্রগা ময়ুম ইম্ফালদা লৈবা বেঙ্ক অসিগী দিস্পেন্সরিদগী কিলোমিটর ১০-১৫ গী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি।

v) কন্ট্রেক্ট বেসিসকী মেদিকেল কন্সল্টেন্ট অসিগী রিম্যুনরেসন থাঙ্গৈশেংনা দ্যুটি তৌরিবা পুংশিংশিংগা চান্ননা ফিক্স তৌগনি অমসুং লোইনমক ইনক্লুসিভ ওইগনি।

vi) এনগেজমেন্টকী কন্টেক্ট অসি চহী অহুমগী মতমগীনি।

vii) রিম্যুনরেসনগী রেট অমসুং দ্যুটিগী পুংশিংশিং মখাগী টেবল অসিদা পীরি :-

| লোকেসন | টেন্টেটিভ ৱর্কিং অৱার্স | রিম্যুনরেসন |
|---|---|---|
| রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া লিলাশিং খোংনাংখোং ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ইম্ফাল-৭৯৫০০১ | ২.০০ পি এম - ৩.০০ পি এম (নিংথৌকাবা - ইরাই) | কন্ট্রেক্টকী মতম পুন্বগী ওইবা পুংদা ₹৮৫০/- থাদা লুপা ₹ ১,০০০/-গী চাংদা মোবাইল চার্জশিংগী রিইম্বর্সমেন্ট |

viii) রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ওপরেসনগী তঙাইফদবশিংগা চান্ননা মতম-মতমগী ওইনা রিম্যুনরেসনগী রেট রিভিয়্যু তৌবা, দ্যুটিগী মতম অমসুং দিস্পেন্সরিগী মফম হোংবা য়াই।

ix) অপান্বা অমসুং মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিংনা (i) আর বি আইগী ৱেবসাইট (www.rbi.org.in) তগী দাউনলোদ তৌবা য়াবা নৎত্রগা (ii) আর বি আই, ইম্ফালদগী থবক তৌবা নুমিৎ খুদিংমক্তা ১০ এ এমদগী ৫ পি এমগী মরক্তা জন্যুৱারি ১৩, ২০২০ নৎত্রগা (iii) oicimphal@ribi.org.in সিদা ঈমেল তৌরগা আর বি আই ইম্ফালদগী ফংবা য়াবা প্রিস্ক্রাইব ফোর্মেটতা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। এপ্লিকেসন অদু মখাগী ৱাহৈশিংসি থাবা কভর অমদা হাপ্লগা সবমিট তৌগদবনি

**‘এপ্লিকেসন ফোর দ পোষ্ট ওপ মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওন কন্ট্রেক্ট বেসিস’**

**সেলেক্সন প্রোসিজর :-**

x) রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা পুংগী অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট (বি এম সী) (কেটগরি : অনরিজার্ভ) অমা খনবগী ইন্টরভিয়্যু কন্দক্ট তৌগনি। ইন্টরভিয়্যু অদু জন্যুৱারি ২৮, ২০২০ দা পাঙথোক্কনি।

xi) মতিক চাবা কেন্দিদেন্টশিং ইন্টরভিয়্যু তৌরগা সেলেক্সন তৌগনি। ইন্টরভিয়্যু য়াওনবগীদমক্তা কৌগদৌরিবা কেন্দিদেন্টশিংগী মশিংদা পনখৈ অমা লৈহন্নবগীদমক্তা বেঙ্ক অসিনা মিনিমম ঈলিজিবিটি ষ্টেন্দার্দ হেনগৎপনচিংবা তৌবা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা বেঙ্ক অসিনা লৌবা ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি। ইন্টরভিয়্যু য়াওননবা কৌরকখিদ্রবা এপ্লিকান্টশিংগী করেসপোন্দেন্স অমত্তা বেঙ্কনা লৌরোই।

xii) ইন্টরভিয়্যু মতুংদা সোর্টলিষ্ট তৌবা এপ্লিকান্ট অদু বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওইনা এনগেজ তৌদ্রিঙৈদা প্রিস্কাইব নোর্মশিংগী মতুং ইন্না মেদিকেল চাংয়েংশিং মায়োক্নগনি। মেদিকেল চাংয়েংশিংগী অচঙমন এপ্লিকান্টনা পুথোকচগদবনি।

xiii) ফম অসিগীদমক্তা খল্লবা নুপা নৎত্রগা নুপী কেন্দিদেট অদু মেদিকেল্লি ফিট ওইরবগী মতুং ইন্না অমসুং বেঙ্ক অসিনা পীরিবা টর্মস এন্দ কন্দিসন্স অমসুং কোদ ওফ কন্দক্ট য়াবগী মতুং ইন্না এপোইন্টমেন্ট পীগনি।

xiv) খল্লবা এপ্লিকান্ট অদু পুংগী ওইবা অকক্লবা রিম্যুনরেসনগা লোয়ননা (কন্ট্রেক্ট বেসিসতা) বেঙ্ক মেদিকেল কন্সল্টেন্ট ওইনা এনগেজ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা বেঙ্ক অসিগা কন্ট্রেক্টকী এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনগদবনি।